কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মফম ২দা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

WAR... NESS PROGRAMME ON
COVID-19
FRIENDS' UNION CLUB, Khongnang Pheidekpi, Imphal West

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : মালেমদা পাক-শন্না শন্দোরকপদা নত্তনা মণিপুরদসু নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশিং হেনগৎলকপা অমদি শিবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদগী ঐখোয় মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা পরিংনা নাইনা চথরকপা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আই আর সী এস, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা খোংনাংফৈদেকপী ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লবকা খুৎশম্না দুনা ক্লব অসিদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইট, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা অমদি ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লবকী প্রসিদেন্ট থোঙাম ইঙোচানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা কাঙলোন কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ৱাঙাংলোয়শিংনা থমখি। লোয়ননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্কা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি ডা. এন অমুলকুমারনা মাস্ক করম্না শীজিন্নগদগে অমদি খুৎ-শা হাম্বগী কাঙলোন কয়াগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন উৎতুনা মীয়ামদা খঙহনখি।

অমরোমদা, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ৱাংখৈ তোকপম লৈরক্তগা লৈবা জুবেনাইল লনর্স ক্লবকা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা আই আর সী এস মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা অমদি জুবেনাইল লরনর্স ক্লবকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম গুনিন্দ্রোনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীয়াম্না লায়না অসি কা হেন্না কিবনা মরম ওইরগা ঙসিদি ঐখোয় খূদিংগী ৱাখল য়াম্না শোন্থহল্লকপগা লোয়ননা কোভিদকী অনাবা কয়াবু লায়েংলিবা ডোক্তর, নর্স অমদি মেদিকেল ষ্টাফ কয়াবুসু কিবগী মতৌ অমা উরক্লি। মরম চাদনা লম্বীদা শম্বল খাবা অমদি মীতোপ চঙহনদবগী খোঙজং ওইনা চথরি। মসিগী মহুৎতা ঐখোয় খূদিংমক্কা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, মাস্ক শীজিন্নবা অমদি খুৎ-শা শেংনা হামদোকপগী থবকশিং ঙাক্না চৎননবা ৱাফম কয়াসু ৱাঙাংলোয়শিংনা থমখি।

থৌরম অদুদা ডা. জেমস এলাংবম অমদি আই আর সী এস মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ডা. এল মংলেমনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি। রেদ ক্রোসকী ভলন্টিয়র টি অরুনানা মাস্ক করম্না শীজিন্নগনি অমদি খুৎ-শা মতৌ করম্না কাঙলোন চুম্না হামগনি হায়বগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি।

হাইপৌ জাদোনাং কবুইবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মৈরা কৎপীয়ু : কবুই য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : অথৌবা হাইপৌ জাদোনাং কবুই লৈখিদবা নুমীৎ ওগষ্ট ২৯না লাকপদা ইরমদমসিগী মীপুম খূদিংমক্কা নীংশিংমিন্নদুনা অমদি মহাকপু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা নুমীৎ অসিগী নুমীদাংগী মতমদা মৈরা অমমম কৎপীয়ু হায়না কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা আপিল তৌরক্লি।

কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হীরা কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নীংতম লান্মী অমবু মীহাৎপগী মরাল শীজিন্দুনা থৌরী য়ান্দুনা হাৎপীখ্রবা হাইপৌ জাদোনাং কবুইগী ৮৯ শুবা লৈখিদবগী কুমওন্না লাকপদা কবুই য়ুনিয়ন্না মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শীঞ্জরগা অথৌবা অসিগী মফমদা নোল্লুকপা উৎচরি। কুমজা ১৯৩১দা মতমদুগী লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশনা লৌনম তৌদুনা কছারগী বরাক তুরেল মপালদা ইমতিয়াস আলি কৌবা অসাম পুলিসকী ওফিসর অমগা লৌতুনরগা কুমজা ১৯৩১গী ফেব্রুৱারী ১৯দা ফাখি। জাদোনাং কবুইনা বৃটিশ লৈঙাক্লোনগী মায়োক্তা লালহৌ কয়া শেমগৎতুনা চীংগী খুঞ্জাশিংদা য়ুমথোঙগী টেক্স খোম্বা, নমদুনা পোৎচৈ থাংহনবা, পুহনবা কয়া অথিংবা পীখি। খুৎলায় পায়বা বৃটিশশিংনা চথরকপা মীওৎ-মীনৈ কয়াবু খাংবা ঙমদ্রবা খুঞ্জা কয়ানা মহাক্কী মতুং ইনখি। জাদোনাং কবুইগী কথোকপা, হৈ-শিংবশিংদুনা মীয়াম্না মহাকপু অমত্তা ঙাইরবা ঈশ্বরনা থাবীরকপা লুচিংবনি হায়না লৌখি। জাদোনাং কবুইনা মকাম আর্মি (রিফেন) নীংতম লান্মী কয়া শেমগৎতুনা বৃটিশকী মায়োক্তা চথরকপা কয়াসি বৃটিশ লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিং য়ৌখি। অদুমকপু বৃটিশ লৈঙাক্না মহাকপু ফাননবা মফম খূদিংমক্তা থিবা হৌরকখি। বৃটিশ লৈঙাক্না ৱারেন্ট তৌদুনা ফানবা হোৎনরিবা অদুগী মথক্তা জাদোনাং কবুইবু মীহাৎপগী থৌদোক্কা মরী লৈনহন্দুনা মহাক ফাখি। মহাকপু ফারবা মতুংদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। বৃটিশকী চুমদবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা ঙসিসু কবুই য়ুনিয়ন্না লেপ্লি। ইরমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা য়েলহৌমী খূদিংমক তুংকোয়না নুংশি-চান্নদা হিংমিন্ননবা কবুই য়ুনিয়ন্না লেপ্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এসৱ): সঙ্গীত নাটক মন্দির, নম্বোলগী মেম্বর অমসুং এক্টর ওইরম্বা নম্বোল অৱাং লৈকায়দগী লাইশ্রম নবকান্তনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৪দা মশাগী য়ুমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সঙ্গীত নাটক মন্দিরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সঙ্গীত নাটক মন্দির, নম্বোলগী সেক্রেটরি হুইদ্রোম অরুনজিৎনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা লাইশ্রম নবকান্ত নম্বোল মায়কৈদা সঙ্গীত কালাবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা থৱায় য়াওনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা সঙ্গীত নাটক মন্দিরগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু সঙ্গীত নাটক মন্দিরনা শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱুমনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুর (ৱুম)গী সেনিটরি ৱার্করশিংনা থবক লাকপদা ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়গী মীয়াম্না চা অমদি অতৈ অচাপোৎ কয়া য়েনবীদুনা মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা য়ুম-য়ুমদগী মী থোরক্তুনা অমোৎ-অকায় পুথোরক্লগা গাড়ীদা হাপ্পদা য়াওবীবা অমদি সেনিটরি ৱার্করশিং অসিবু ঈকায় খুম্নবীবগীদমক লৈকায় অসিগী মীয়াম অমদি ক্যের টেকরশিংবু ৱুমনা থাগৎপগা লোয়ননা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

ৱুমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর টি ঐচ পুথিবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইরমদম অসিগী ম্যুনিসিপাল এরিয়া অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ুম-য়ুমদগী থোরকপা অমোৎ-অকায়শিং লৌথোকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। অৱাবশিংগী মনুংদা অমোৎ-অকায়শিং অসিবু লৌখৎলিবা সেনিটরি ৱার্করশিং অসিবু খুন্নাই অসিনা ইন্থোকপীবা, মখোয়বু মহিক অমগুম উবীবনচিংবা অমদি তাবা নুংঙাইতবা ৱাহৈ কয়া ফোঙদোরকপনা মরম ওইদুনা নোংমগী থবক শুরগা হিংনবা হোৎনরিবশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবনি। অসিগুম্বা শিন্মীশিংবু অমদি পেন্দেমিক মনুংদা থবক শুদুনা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা শরুক য়ারিবা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংবু মীয়াম্না তাথি-তাওইনা তৌবীবা তোকপীনবা পাউজেল কয়া লেপ্তুনা শন্দোকচখিবগী মহৈনা ঙসিদি মীয়াম্না রেস্পোন্দ তৌবীরকপা হৌরে। মসিগীদমক মীয়াম্বু থাগৎতবা ঙমদে। ৱুমগী সেনিটরি ৱার্করশিংনা থবক চৎপদা ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়গী মীয়াম্না উৎলক্লিবা মীওইবগী মীনুংশি অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎপীরকখিবা অসিগীদমক্তসু লৈঙাক্না লৈকায় অসিগী মীয়ামদা নৎত্রগা লুচিংবশিংদা অচৌবা মনা পীফম থোকই। লৈকায় অসিনা লৌখৎলক্লিবা মীনুংশিগী ঈচেল অসি মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শীন-থুংনা শন্দোরক্লবা মতমদা ইরমদম অসিদা অরানবা অমদি ওইরোইদবা, কান্নদবা কয়া মাঙখিদুনা চাউখৎপা, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা লৈনবা মরী অদু ফগৎহল্লগনি হায়না ৱুমনা লৌই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'লৈবাক পুম্বদা চখগদবা নুপী মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙজং শরুক য়াগনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া পুম্বদা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৮দা চখগদৌরিবা নুপী মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙজং অসি মণিপুরদসু ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা শরুক য়াগনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট শখিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খোঙজং অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অমদি খুদোংথিবশিং কোকহন্ননবগীদমক্তনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাউবা নুপীগী লূপ তরুক্না পুন্না পাঙথোকখিবা মীফম্না খোঙজং অসি চঙশিন্ননবা লেপ্পখিবনি। লূপশিং অদুদি, ওল ইন্দিয়া দেম্মক্রেটিক ৱিমেন্স এসোসিএসন, নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন, ওল ইন্দিয়া প্রোগ্রেসিভ ৱিমেন্স এসোসিএসন, প্রোগ্রেসিভ মহিলা সংঘথন, ওল ইন্দিয়া অগ্রাগামি মহিলা সমিটি অমসুং ওল ইন্দিয়া মহিলা সংকৃতিস সংঘথননি।

লূপশিং অসিগী অপূনবা মীফম অদু জুলাই ১৯ অমসুং ৩০ ফমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়াগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিন্ননবা লেপ্পখিবনি। ইরমদম অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনসু অসিগুম্বা খোঙজং অসিদা শরুক য়াবীদুনা মীয়ামগী য়াইফননবা থৌদাং লৌমিন্ননবা আপিল তৌজরি।

খোঙজং অসিনা তাক্লিবা দিমান্দশিংদি, ঐখোয়দা মতিক চাবা চান-থক্লবা পীয়ু, ঐখোয়দা থবক পীয়ু, নুপী মীয়ামদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা পীগদবনি, লৈবাক্কী দিমোক্রেসি কল্লু হায়বনচিংবনি। লোয়ননা শোথরবা নুপীশিং কন্ননবা এম জি এন আর ঈ জি এগী থবক হেন্না পীগদবনি। লোকদাউনগী অৱাবদগী মীয়ামগী পুন্সি কনগদবনি হায়নসু চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিনা দিমান্দ তৌরিবনি।

মণিপুরদসু মীয়াম্না মরুওইনা নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবগীদমক চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা নুপী ওইবীশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দ্রগ শীজিন্নবশিংসু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু : এ পৃথিবীরাজ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নরিবশিংনা শন্দোক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা দ্রগ শীজিন্নরিবশিংবুসু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লাইফ হোপ দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী কো-কনভিনর অরাম্বম পৃথিবীরাজনা ফোঙদোরক্লি।

অরাম্বম পৃথিবীরাজনা হায়খি, দ্রগ শীজিন্নবা মীওই কয়া অমা ময়ুমদা হন্দনা নোর্থ এ ও সীদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরি। মীওইশিং অসিগী মরক্তা য়ুম-ইংখোল লৈতবদগী মফম অসিদা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরকপা য়াওরি। কোভিদ-১৯গী অনাবা লৈরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা য়াওরকপদগী মীওই ৩৪ মশানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখি। অদুবু লাইবক ফবদগী লোইনমক নেগেটিভ ওইখি। মীওই ৩৪ অসি পাৎশোইদা লৈবা বেক টু লাইফ সেন্টর হোমদা ওগষ্ট ১৩ দগী থম্বা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না ময়াই কাবা চীঞাক চারুবরবসু হৌজিক মখোয় মেন ষ্ট্রিমদা লাক্লিংবগী ৱাখল পোল্লকপা অমদি ময়াই কাবা চীঞাক চাররোই, লায়েংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও সী, নার্কোটিক্সকী ও সী অমদি ফিলেম রোহেননা মতেং পাংবীদুনা হৌজিক মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মার্সিলেনদদা ট্রিটমেন্ট পীবা হৌরে। মখোয় লোইনা ট্রিটমেন্ট তৌবা অমদি হৌবদি নত্তে। অদুবু মশানা মেন ষ্ট্রিমদা লাক্লিংবশিং হান্না ট্রিটমেন্ট তৌবনি। নোংম-নোংমগী মখোয় মেন ষ্ট্রিমদা হল্লক্লিংবগী চাং হেল্লক্লি। মীওইশিং অসি মশানা য়ানা নোর্থ এ ও সীদগী পুরকপনি।

মহাক্না হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মতম অসিদা মখোয়না নোর্থ এ ও সীদা কোয়চৎ চৎলগা লৈবনিনা লায়না অসি শন্দোরক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু মীয়ামদা ফাওরমগনি। মরম অসিনা মখোয়বু মতেং পীদুনা মফম চাবা অমদা পুন্না লৈহন্ননবা হোৎনজবনি। অদুবু মশানা য়ানিংদবা খরদি নোর্থ এ ও সীদা অদুমক লৈহৌরি। ঐখোয়না লিংজরিবা হোম অমদি রিহেলিবিটেসন সেন্টর অসি কনাগুম্বা লন্নাই অমদি লৈঙাক্তগী মতেং লৌজবা নত্তে। ৱাখল মান্নবা মীওই খরা পুনশিল্লগা কম্মিটি শেমদুনা অঙম-অঙম্বা পুথোক্নরগা হোৎনজবনি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ মরক্তা নোর্থ এ ও সীদা ময়াই কাবা দ্রগ চাদুনা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং পাংহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৌশিং পুক্কে

কোরোনাভাইরসনা ঈ ফমজিনহল্লিবা করিগীনো? -১



কোভিদ-১৯না য়াম্না কন্না নাবা পেসেন্টশিংগী চাদা ৩০ রোমদা ঈ ফমজিনবগী খুদোংচাদবা থোকহল্লি হায়না ইভিদেন্স কয়ানা উৎলি।

ঈ ফমজিনবা নৎত্রগা থ্রোম্বসনা কোভিদ-১৯ না নারবা মীওইশিংদা কমপ্লিকেসনশিং অমদি শিবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না কন্না নারবা মীওইশিংগী চাদা ২০দগী ৩০ ফাওবদা ঈ ফমজিনবা (ব্লদ ক্লোট) থোকহল্লি।

নোভেল কোরোনাভাসরস অমদি ঈ ফমজিনবা অনী অসিগী মরক্তা লৈনবা মরীগী মরমদা মখাদা পীরি।

ঈ ফমজিনবা (ব্লদ ক্লোট) হায়বসি করিনো?

মীওই অমা ঈ ফমজিল্লবদি লোক খূবা অমদি থবাক্তা য়াম্না নাবা ফাওবা য়াই।

ব্লদ ক্লোটিং হায়বসি অশোক অপন থোকপদা হকচাংনা তৌবা নেচরেল রেস্পোন্সশিংগী মনুংদা অমনি। মসি হকচাংদগী ঈ কা হেন্না চৎখিগদবদগী কন্নবগীদমক ঈগী ভোল্যুম অমনা সেমি সোলিদ ষ্টেটতা ওল্লকপা মতমদা ওইরকই। হকচাংগী ওইবা কেমিকল রিএক্সন কয়ামরুম্না অহোংবা অসি লাকহনবদা মতেং পাংশিল্লি।

অসুম্না ঈ ফমজিল্লকপা অসি ঈগী উতোং মনুংদা তৌবা ওইরগদি কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। অসুম্না ফমজিল্লবা ঈ অসি মশা মথন্তা তুমখিদবা য়াই অমদি ঈগী ঈচেলদা য়াওখিবা য়াই। ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মী শিহনবা য়াই।

করিগুম্বা ফিভম খরদা ফমজিল্লিবা ঈ (ক্লোট) অমনা কায়দুনা হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎ অমদা চঙশিনখিবা য়াই। মসিনা এম্বোলস হায়না খঙনবা থ্রোম্বস ওইরকই।

এম্বোলস অসিনা ব্রেন, হার্ট, নৎত্রগা লংস য়ৌখ্রগদি হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোকনচিংবা পুন্সি মাঙবা য়াবা ফিভমশিং ওইহল্লকপা ঙমই।

ঈ ফমজিনবা অমা লৈবগী লাইওংশিংগী মনুংদা লোক খূবা; লোক খূবদা ঈ য়াওবা; খোঙ খূৎতা খংনা-খংনা নাবা; থবাক্তা য়াম্না নাবা; খঙহৌদনা নীংশা হোনবা ঙল্লক্তবা; ঈ ফমজিল্লিবা অদুগী অকোয়বদা পোমখৎপা, মুশিনবা অমদি শাবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অনৌবা কোরোনাভাইরস অসিনা ঈ ফমজিনবগী থৌওং করম্না থোকহনবগে হায়বগী থিওরিশিং

নেচর কৌবা জর্নেলগী আর্টিকল অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না ঈ ফমজিনবগী থৌওং থোকহল্লিবা করিগীনো হায়বগী মতাংদা রিসার্চরশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

থিওরি অমগী মতুংইন্না ঈ উতোংশিংগী মনুং থংবা ৱালবু কুপশিল্লিবা ইন্দোথেলিয়ল সেলশিংদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা এটেক তৌবা মতমদা ব্লদ ক্লোটিং তৌই। ভাইরস অসিনা এন্দোথেলিয়ল সেল মেম্ব্রেনদা য়াওবা এ সী ঈ ২ রিসেপ্টরশিংদা বাইন্দিং তৌশিন্দুনা থৌওং অসি থোকহনবনি।

হায়রিবা রিসেপ্টরশিং অসিদা ভাইরস অসিনা হেক বাইন্দ তৌখিবগা ঈ ফমজিনবগী থৌওংবু ট্রিগর তৌবা প্রোটিনশিং ঈ উতোংশিংনা থাদোকপা হৌরকই।

অতোপ্পা থিওরি অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেমবু হাইপরএক্টিব ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্স অমা পুথোক্লবা ট্রিগর তৌই। হায়রিবা ইনফ্লেমেসন অসিনা অমুক ক্লোটিং ট্রিগর তৌবা য়াই।

অতোপ্পা ফেক্টরশিংনসু কোভিদ-১৯ নারবা মীওইশিংদা ব্লদ ক্লোটিং থোকহনবদা থৌদাং লৌরম্বা য়ারি। খুদম ওইনা, লায়না অসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটালাইজ মথৌ তাবা মীওই কয়াদা ব্লদ ক্লোটকী অতোপ্পা রিস্ক ফেক্টরশিংসু লৈবা য়াই। রিস্ক ফেক্টরশিং অদুগী মনুংদা মশাগী চহী য়াল্লবা; হকচাংগী অৱম্বা হেনবা; হাইপরটেন্সন লৈবা নৎত্রগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা; দাইবেটিস নাবা; ব্লদ ক্লোটিংগী রিস্ক হেনগৎহনবা হীদাক-লাংথকশিং চাবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

স্বাইন ফ্লু (ঐচ ১ এন ১) অমদি এস এ আর এস য়াওনা অতোপ্পা ভাইরসশিংনসু ব্লদ ক্লোটিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

লংসতা ফমজিল্লবা ঈ য়াওবা

কোভিদ-১৯ নারবা মীদা লৈবা ব্লদ ক্লোট অদু কোভিদ-১৯ নাদবা মীদা ষ্ট্রোক তৌবনা নৎত্রগা লংসতা লৈবা ক্লোটকা খেন্নে।

বৃটিস জর্নেল ওফ হিমাটোলোজিদা ফোঙখিবা পেপর অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ নাবা মীওইশিংদা ক্লোটশিং অসি লংস মনুংদগী ওইরকই হায়রি। অতৈ মতমদদি ক্লোটশিং অসি কায়থরক্ত্রিঙৈদা অমদি লংসতা য়ৌরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা হকচাংগী অতৈ মফমদা ফোর্ম তৌগনবনি।

ষ্ট্রোকতা তৌবগুম্না লংসকী অচৌবা ঈ উতোংশিংদা ক্লোট ফোর্ম তৌবা অদুগা মান্নদবা মওংদা কোভিদ-১৯গী ওইনদি ঈ উতোং মচাশিংদা ওইনা ফোর্ম তৌই।

অনেলস ওফ ইন্টর্নেসনল মেদিসিনদা পীক্লা চথবা ওটোপ্সি ষ্টদি অমদা কোভিদ-১৯ নারগা শিবা মীওই ১১গী হকচাংশিংবু এগজামিন তৌখি। পেসেন্টশিং অদু দিগ্রী মান্নদবা চাংদা ব্লদ ক্লোটশিং লৈরম্বগী খুদম থেংনৈ হায়না রিসার্চশিং অদুনা রিপোর্ট তৌখি। পেসেন্টশিং অদুনা হিংলিঙৈ মতমদা ব্লদ ক্লোট তৌবগী দাইগ্নোস তৌখিদে।

পেসেন্ট ১১ অদুগী মনুংদা ১০দা এন্টিকোএগ্যুলেসন, নৎত্রগা এন্টি-ক্লোটিং, লায়েং চথখিবা লৈরগসু মখোয়না শিরিবা অদুদি ব্লদ ক্লোটিংনা মরম ওইরগনি হায়না রিসার্চরশিং অদুনা থাজরি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীয়ামদা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা নম্বোল এ সীগী মনুং চনবা পুখ্রম্বম অমসুং সঞ্জেনবম খুনগী অৱাবা তারবা মীয়ামদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিটয়ার্দ আই পি এস ওফিইর টি ঐচ বসন্তনা চান-থক্লবা, ঈশিং, ফেস মাস্ক অমদি সেনিটাইজর য়াওনা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

নম্বোল এ সীগী মনুং চনবা কবোৱাকচিং মমাঙ, মনিং, বলারাম খুন ময়াই, মনিং, কবোৱাকচিং খুনৌ, মাইবম চীংমাং মমাঙ, অৱাংনচিংবা মফমশিংদসু ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, লমশাং এ সীগী মনুং চন্না অৱাং খুনৌগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈবা য়ুমথোঙশিংদসু সোসল ৱার্কর অরাম্বম করমজিৎনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখ্রে। অৱাবা তারবা মতম অসিদা তেংবাং পীবীরকখিবা অদুগীদমক অরাম্বম করমজিৎপু অৱাং খুনৌ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী ভলন্টিয়রশিংনা থাগৎলক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

পুয়াম অচৌ খুমনচা, সিখোং বাজার

মালেমগী লৈবাক কয়া লান্না লাকখিবা অদুনা ঙসিদি মণিপুরগী লৈকায়-লৈকায় ফাওবা কোভিদ-১৯ য়ৌরক্লে। লোকদাউন চৎথরকখিবসু থা ৫ হেল্লক্লে। লাইচৎ অসিনা পূম্নমক্তা অচৌবা চৈথেং অমদি লোয়না পীরি। অদুবু তশেংনা ইনাক কৈরাক খুনবা চাবা-থকপা খজিক ৱাৎতবা মীওইশিংনা খঙলমদবদি য়াই। অদুবু মমা-মপা অমদি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ইমুং-মনুংশিংদি খম থেংনা ৱারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা তোলোপ চাওনা ফংলিবা মীওইশিংনা য়ামদ্রবদা লৈকায় অদুদা লৈরিবা অৱাবা ইমুংশিং অদুদা মতেং খরা-খরা পাংবিরগদি লমদম অসিদা হৌজিক ৱানা হিংলিবা মীওইশিং খরদং ওইরবসু শাফগদরা হায়না খল্লি। মরম অদুনা লাইরবশিংগী মতেং শুপ্নগী লৈঙাক্না খক্না মতেং পাংলকপা ঙাইবা নত্তনা অঙম-অঙম্বা চোংথোক্লরক্তুনা খম থেংনা ৱারবা মীওইশিংদা মতেং পাংবিয়ু হায়জরি। অমরোমদা কোভিদ-১৯ নত্তবা অনাবা অহল ওইরবা কয়া হোস্পিটাল চৎপদা নাতে চাদনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তসু লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপীদুনা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংগী টিম কয়া শেম্বিদুনা মণিপুরগী মফম খুদিংগী লৈকায়-লৈকায়দা পালি নাইনা অনা-লায়েংবিরবদি লৈবাক মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি।

লৌক্রাকপম চন্দ্রশেখর, খুরাই কোংপাল

কোভিদ-১৯ লানফমগী মরক্তা মীওই খরদি শেল পায়হৌদবা য়াদে হায়বগী মতাগুম শিবা কিবা লৈতনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক ললোনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। কনানা অচুম্বনো-কনানা অরানবনো খঙনদ্রে। লানফমশিং অসিগী মরক্তা মীচম মীয়ামদি মরনাই ওইনা অদুমক হিংনবা হোৎনজবা নত্তনা উপায় লৈত্রে। পুকচেল শেংবা থাজনিংঙাই ওইদবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরে। পুকচেল চাওথোক্লবগী মহুৎতা অশোয়বা থীনদুনা মানা-মানা তৌবনা অচুম্বনি হায়বরোমদা চৎনরকপনা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদদি অচৌবা চৈথেং কয়া ফংগদৌরি। ঐখোয় মশেল য়োকখৎনবগী মহুৎতা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পুশিন্দুনা য়োনশিল্লগা চাহন-থকহন্দুনা হাৎলগা মখোয় মথন্তা খুন্নাই অসিদা হিংবা ঙমগদৌরিবরা? লৈবাক মীয়াম অমদি লুচিংবশিংনা খজিক খন্থরগা হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিংনা চাওথোক্লা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্নবা শেমহৌবনা ফগদ্রা? নৎত্রবদি খুন্নাই অসি লৈখা তাদুনা মাংখিগনি। হিংবগী ৱাহন্থোক য়াওদ্রবা মহাম চেল্লবা খুন্নাই অমা ওইগদবদগী কলহৌনবা হোৎনসি। কোভিদ-১৯দি চৎখিগনি মরম অদুনা তুংগী খন্থমিন্নসি হায়জরি। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি কোভিদ-১৯না নাদবা মীওইশিংগীসু লায়েংনবা হোৎনহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭। ০৮। ২০২০ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ৯.১৫ ফাওবা লাংবনগী ৯ নি পাল্লি, মতুংদি ১০নি পাল্লনি।

মেষ: খোইরাংবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। লাইবক ফবসু ৱাৎলি অদুনা হোয়া ফগনু। ৱা য়াম্না ঙাংগনু। থৌনা লৈয়ু অমদি খাংবা কল্লু কান্নবা খরা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: য়েৎনবা মরমদা মাইথিবা নত্তনা অয়াম্বা লমদা মাই পাক্কনি। শেল থুমগী লমদা কান্নবা ফংগনি, মীংচৎ তানবা য়াগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি অমদি নচা ননাই ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন: নিংজবা থুংগনি, লৌশিং চাওই। অদুনা অরুবা থৌরম লাইনা পাংবা ঙমগনি অমদি মীয়ামগী মতেং পাল্লদি লৌবা য়াগনি। মীতোপতি লোইনবা খরা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: মতম মাংবা ফরনি, হকচাংসু নুংঙাইবা হেল্লনি অমদি মীচং খোম্বা য়াগদবা নুমিৎনি। অথেংবদা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। মরুপ মপাংনদি ৱারৌবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ: মরুপ মপাং লোইনবা নত্রগা মখোইগী ৱা তাবা কান্নগনি। নরলগী লমদা ৱা থোকপা য়াই। অদুবু খুরৌ থাংবা কোকচদুনা কান্নবা ফংগনি, লৌশিং চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: অয়ুক্তা অফবা খোংশাল লৈগনি, মীনা থাগৎপিগনি অমদি অথেংবদা মীয়ামগী মতেংনা লন চাওখৎকনি। ইমুং মনুং অমদি মরুপকা মরি ফনবা হোৎনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীতোপ্পা ৱাকাই তৌই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা: অকিবা অমদি শেরান্নবা পোকপা খরা লৈরবসু লাইবক ফরে, থবক পাংলনি, মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি অমদি হকচাং নুংঙাইজগনি। কনানসু লাকচররোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অয়ুক্তা লাইবক ফগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি অদুনা অনৌবা থৌরম পাংহৌবা ফগনি। পাইরক্কী লৌশিং লৈ। অদুনা অরুবা ৱারেপ চিংনদনা লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

ধনু: চাদিং হন্থবা ঙমলগনি, লাইবক ফরনি অমদি ললোন ইতিক কান্নগনি। অদুবু মরুপ মপাংতা নত্তনা নংগী ওইবা মীনফাওবা য়েংশিনবা লৈ। পংশিন্নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মকর: অয়ুক্তা শেন্দোং চাওনা ফংজগনি। নুংথিলদদি ওইজবা মাংগনি। মীতোপ্নফাওবা তেংবাংনিংবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা লৈগনি। থবক্তি পাংদে।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কুম্বা: নিংবা থুংগনি, অনৌবা অফবা অশা লাক্কনি অমদি ঙসিসু ৱানোম থৌনোমগী কান্নবা ফংজগনি। মীচং লৈ, থৌনা হনগনু। অনম তানবদি পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: মাই পাকচগনি, লেপ্তুনা হোৎনরদি মীকোক থোংবা শোইদ্রে। অঙম্বনা নরলদা মীতাই অদুনা ফিংগনু অমদি ৱানোম থৌনোম তৌগনু। মরুপ লোইনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।